# য়ু এসনা অহানবা ওইনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা টালিবানগা পাঙথোক্লুবা শেম শাখ্রে : রিপোর্ট



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা অফঘানিষ্টানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা য়ু এস ট্রুপশিং লৌথোকখিবদগী টালিবানশিংনা অফঘান খুদুম চনখ্রবা মতুং ইহান হানবা ওইনা য়ু এস দেলিগেসন টিম অমনা দোহাদা টালিবান লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্ননবা শেম শাবা লোয়খ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

অৱাংবা থাক্কী মীফম অসিদা য়ু এসকী মায়কৈদগী ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী ওফিসলশিং, য়ু এস এ আই দি অমসুং য়ু এস ইন্টলিজেন্স কম্যুনিটিনা শরুক য়াগনি। হায়রিবা টিম অসিনা টালিবান লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা থল্লিবা য়ু এস সিটিজনশিং থাদোক্লবা অমদি হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুদা লৈরিবা অমেরিকানশিং মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপদা অপনবা পীদনবা অকনবা মওংদা তকশিনগদৌরি।

মসিদা নত্তনা টালিবাননা অফঘানিষ্টান খুদুম চনখ্রবা মতুং মখোয়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অল-কাইদা অমদি অতোপ্পা লালহৌবশিং লৈবাক অদুদা লৈদুনা ওপরেট তৌহল্লোই হায়বা ৱাফম ঙাক্লা চৎনবসু তকশিনগদৌরি। অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মীওই কয়া খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মতম শাংনা চত্থরকখিবা লালনা মরম ওইরগা অৱাফমদা তাহল্লবা মীওইশিং টালিবাননা মখা তানা চৈথেং পীদনবা অমদি মখোয়দা পীবা য়াবা মতেংশিং পীনবা খঙহনগদৌরি।

অমরোমদা ৱারী শান্নগদৌরিবা দেলিগেসন টিম অসিদা য়ু এস অমসুং টালিবান অনীগী পীছ টোকতা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা য়ু এস স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিব জালমে খালিজাদতি শরুক য়ারোইদৌরি। মহাক্কী মহুত্তা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিব তোম ৱেষ্ট অমসুং য়ু এস এ আই দি হ্যুমেনিটরিয়নগী মকোক থোংবা ওফিসল সরাহ চার্লসনা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদুগী মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এসকী সেনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী লুচিংবশিং উন্দুনা ৱারী শাগদৌরিবা অসি নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক অদুবু রিকগনাইজ তৌনবা নত্তে। য়ু এসনা হান্না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নৌনা শেমখ্রবা লৈঙাক অদুগী থবক থৌওংশিংগী মতুং ইন্না লৈঙাক অদুবু রিকজনাইজ তৌবা নৎত্রগা তৌদবা হায়বদুগী ফিরেপ লৌগনি। হৌজিক উনগদৌরিবা অসিদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী খল্লগা অমদি হান্না নাকল অনীগী মরক্তা য়ানখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোকহন্নবা তকশিনবনি।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না চানবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংজিল্লক্তবা অমদি শেল থুমগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী মীওই কয়াদি ময়ুম য়োন্থোক্তুনা হিংনবা হোৎনবগী ফিভমদা লাক্লে। য়ু এন ফুদ এজেন্সি য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা অফঘান মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনরি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী নুপীশিংগী হক মাঙহনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্ল রক্লিবা অদুগী মতাংদসু নাকল অনীনা ৱারী শান্নরবা য়ানা লৈ। য়ু এসকী মায়কৈদগী নুপী মহৈরোয়শিংবু অয়েৎ অপন পীদনা হান্নগুম স্কুলশিংদা চত্তুনা মহৈ তমহন্নবা তকশিল্লবা য়ানা লৈরি। মসি টালিবান লৈঙাক্কী থবক থৌওংশিং খঙদোক্লবা পায়খৎপা অহানবা খোঙথাংনি হায়রি।

# মশিং য়াম্লবা মাইগ্রেন্টশিং পুদুনা চৎনবা হোৎনরম্বা কার্গো ট্রক ৩ পুলিসনা ফারে



মেক্সিকো, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

মেক্সিকোগী অৱাং থংবা শরুক অমদা ঙসি সেন্ট্রেল অমেরিকান মাইগ্রেন্ট ৬০০ হেন্না পুদুনা য়ু এস এ তানা চৎনবা হোৎনরম্বা কার্গো ট্রক অহুম মেক্সিকো পুলিসনা থেংনবদগী ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

মেক্সিকান ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, সেন্ট্রেল অমেরিকান মাইগ্রেন্টশিং অদু কার্গো ট্রকশিং অদুদা লোত্তুনা য়ু এস এ তম্না চৎনবা হোৎনরমখিবনি। হন্দক চহীগী ওইনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মাইগ্রেন্টশিংনা য়ু এস এ তম্না চৎনবা হোৎনরম্বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুবু হন্দক্কী অসিনা মী মশিং খ্বাইদগী হেন্না য়াম্বা ওইরি।

ট্রক অদুদা লোত্তুনা লৈরমখিবা মাইগ্রেন্টশিং অদু অয়াম্বনা মাস্ক উপখি অমদি বোদিগা তাইনবা মফমশিংদা উপনা তুমদুনা লৈরমখিবনি। মেক্সিকো পুলিসনা পুন্না থেংনখিবা মাইগ্রেন্ট ৬৫২ অদুগী মনুংদা ২০০ দি নম্বর থাদবা অঙৌবা মচুগী কার্গো ট্রক অমদা য়াওরমখিবনি। পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রবা মাইগ্রেন্টশিং অদুগী মরক্তা চহী নৌরিবা অঙাং অমদি নুপী কয়াসু য়াওরি। সেন্ট্রেল অমেরিকা অমদি হাইটিদগী লেপ্পা লৈতনা মাইগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা য়ু এস এ অমদি মেক্সিকো ওথোরিটিশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।

নাকল অনীমক্কী ওথোরিটিশিংনা মাইগ্রেন্টশিং ইল্লিগেল ওইবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবা অসি থিংনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। ঙমখৈগী শরুকশিং মপুঙ ফানা খাজিন্দবনা মরম ওইরগা মাইগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা থিংবা ঙমদ্রি। য়ু এসগী ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসনা হৌখিবা ওগষ্ট থাগী অঙনবা শরুক্তা মেক্সিকো ঙমখৈগী শরুক্তা চত্তুনা মাইগ্রেন্টশিংগী ওইরিবা ফিভমশিং হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ঙমখৈগী শরুকশিংদা অহেনবা সিক্যুরিটিশিং দিপ্লোয় তৌদুনা মাইগ্রেন্টশিং চঙলকপা থিংনবা খঙহল্লমখিবনি।

অমরোমদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মতম অসিদা মাইগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা অসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাইনি হায়না মেক্সিকান ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।


## জর্নেলিষ্টশিংদা মারিয়া রেসানা মহাক্কী নোবেল প্রাইজ কখোকখ্রে

স্বিদেন, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না লেমজনিংঙাই মনা ওইরিবা নোবেল পীছ প্রাইজ ২০২১ ফংখ্রবা ফিলিপ্পিন্সকী ভেটরান জর্নেলিষ্ট মারিয়া রেসানা মহাক্লা ফংখিবা এৱার্দ অদুবু জর্নেলিষ্ট খূদিংমক্তা দেদিকেট তৌখিবগা লোয়ননা মখা তানা প্রেসকী নীংখা তম্বদা পামদবা ইলিমেন্টশিংনা অয়েৎপা পীরক্তনবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ফিলিপ্পিন্সকী প্রসিদেন্ট রেদ্রিগো দিটুরটেগা ঙসি উনখিবা অমদা জর্নেলিষ্ট রেসানা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। নাকল কয়াদগী অৱাবা খাংদুনা থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা কিহন খংহনবগী থৌদোকশিংসু চত্থরি। মীয়াম্না জর্নেলিষ্টশিংগীদমক লেপ্পীরবদি থৌনা ফনা থবক পাঙবা ঙমগনি। জর্নেলিষ্ট কয়া মীয়ামদা অচুম্বা পাউ ফংহন্নবা হোৎনরুবগীদমক খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় খূদিংমক্লা লেপ্পা মথৌ তাই হায়খি।


## হি লাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১০০ হেন্না থিবা ফংদ্রি



কিনশাসা, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী মনুংচনবা তুরেল অমদা পেসেঞ্জর পুদুনা লাকপা হি অমা মথক মখা ওনবগী থৌদোক অমদা মীওই ১০০ হেন্না থিবা ফংদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু শিখ্রবরা নৎত্রগা হিংলিব্রা হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না দি আর সীগী প্রোভিন্সিএল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হি লাকপগী থৌদোক অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ খুদক্তা ফংবা ঙমখিদবনা মীশি মীনা থোকপগী চাং হেনখিবনি। ঙরাং ফাওবদা কোঙ্গো তুরেলদগী অশিবা হকচাং ৫১ রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফংবা ঙমখ্রে। মখা তানা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু শিরম্বা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঈশিংদা লাকশিনখ্রবা হি অদুগী পাক চাওবা য়েংলগা মীওই ১০০ রোম থিবা ফংদ্রি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রবসু হি অদুদা মীওই কয়া তোংখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মতৌ করম্না হি অদু ঈশিংদা লাকশিনখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু ৱেদর ফত্তবা অমদি তোংগদবা মী মশিংদগী কা হেন্না তোংশিনবদগী হি অদু ঈশিংদা লাকশিনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

## ইরানগী অহানবা প্রসিদেন্ট অবোলহাসন লৈখিদ্রে

টেহরান, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

কুমজা ১৯৭৯গী ইস্লামিক রিভোল্যুসন মতুং ইরানদা ইহান হান্না প্রসিদেন্ট ওইখিবা অবোলহাসন বানিসাদর মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা পেরিস হোস্পিটালদা ঙসি লৈখিদ্রে হায়না আই আর এন এ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৮৮ শুরবা হান্নগী প্রাসিদেন্ট অসি পেরিসতা লৈবা সালপেট্রি হোস্পিটালদা মতম শাংনা লায়কন্নদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম ঙসি অয়ূক খঙহৌদনা শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈখিদবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৮০গী জন্যুৱারী থাদা বানিসাদর ইরানগী ইহান হানবা প্রসিদেন্ট ওইনা মায় পাক্লকখিবনি। মদুগী মতুং ওল্লকপা কুমজা ১৯৮১দা ইরানিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা মহাকপু মফমদগী নম্ফুদা লৌথোকখিবনি।

# ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট অসাদকা ৱারী শানখ্রে

টেহরান, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমিরাবদোলাহেন সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরীশিং অদু হেন্না ফগৎলক্লবা অমদি অতোপ্পা থৌরম কয়াদা চুংশিন্ননবগী মতাংদা ঙসি সিরিয়াগী কোনুং দামাস্কসতা ৱারী শানখ্রে।

ইরানগী প্রাইম মিনিষ্টর হোসেন অমদি সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদনা লৈবাক অনীগী মরক্তা ইকনমিক অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা মরীশিং অদু হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি চেৎশিনহন্নবগী মতাংদা ঙসি কুপ্না ৱারী শানখি। মদুদসু নৎতনা লৈবাক অনীগী ৱারী শানবা অসিদা সিরিয়া লৈবাক খত্তা নৎতনা অফঘানিষ্টান, য়েমেন অমদি ইরাকতা লৈরক্লিবা ফীভমশিং অদুগী মতাংদসু কুপ্না ৱারী শানখি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা হৌখিবা থাদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লিদা ফমখিবা মীফম অদুনা সিরিয়াগীদমক্তা ফেভর থমদুনা হান্না লৈরিবা ফীভমশিং অদুদগী হেন্না ফগৎলে হায়খি।

মরক অসিদা অফঘানিষ্টানবু লৌশিনখ্রবা তালিবানগী সিনিয়র ওফিসলশিংগা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ওফ অমেরিকাগী মীহুৎশিংগসু ঙসি কটারদা ৱারী শানখি। মদুদা ইরানগী মায়কৈদগী ৱারী শানবা অদুদা শরুক য়াগদবা অদু য়ু এস এগী মীহুৎশিং য়াওরকপা অদুনা চৎখিদবনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদনা লৈবাক অদুদা প্রসিদেন্টকী মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং মহাকপু অমুক হন্না লুচিংবা অমা ওইবগী থৌদাং লৌরকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদগী য়ু এসকী লান্মীশিং লৌথোকখিবা অদুনা ৱেষ্টর্ন এক্সিস লোইশিল্লকপা অমদি অনৌবা এক্সিস অমা লাকপগী মমি তারে হায়খি। সিরিয়াগী অনৌবা লৈঙাক অদুদা ইরাননা মফম অদুদা ইকনমিক দিভলপমেন্ট প্লানশিং হেন্না ফগৎনবা মতেং পীগনি হায়খি।

# ইবোলাগী অনৌবা কেস কোঙ্গোদা থেংনখ্রে

বেনি, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী সিটি বেনিগী নোংপোক থংবা মফমদা ইবোলাগী অনৌবা কেস অমা থেংনরে হায়না লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বেনি সিটিদা চহী ৩দা ঙাইরিবা নুপামচা অমা ইবোলাগী অনৌবা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। কুমজা ২০১৮-২০২০গী ইবোলা আউটব্রেকতা ইপিসেন্টর ওইখিবা মফম অদুদা চহী ৩দা ঙাইরিবা নুপামচা অদু পোজিটিভ ওইরবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লৈখিদবনি হায়না ঙরাং অথেংবদা দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী হেল্থ মিনিষ্টর জোন জেক্স মুনগানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপনি।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি লৈখিদ্রবা নুপামচা অদু ইবোলা পোজিটিভ ওইখিবা অদু মমাংগী আউটব্রেক অদুগা মরী লৈনব্রা হায়বগী অকুপ্পা মরোল অদুদি খঙদ্রি। মমাংগী আউটব্রেক অদুদা কোঙ্গোগী নোংপোক থংবা মফমশিংদা য়ামদ্রবদা ইবোলানা মরম ওইদুনা মীওই ২২০০ হেন্না শিখিবনি।

# থাউগী অৱাংপা লৈবনা লেবাননগী পাৱর প্লান্ট কয়া থবক তৌখিদ্রে

বৈরুট, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

ঈরাংনা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা লেবাননদা লৈবা মরুওইবা পাৱর প্লান্ট অনী থাউৱাৎপনা মরম ওইদুনা থবক লেপখিবদগী লৈবাক অদুদা ইলেক্ট্রিসিটিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াদনা লৈখ্রে।

ঙসি লেবাননদা লৈবা দায়র অমার অমসুং জরানি প্লান্টশিং অদু দিজলগী অৱাৎপা লৈখিবদগী থবক তৌরক্তবা অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা প্লান্ট অনী অসিনা পীরম্বা ইলেক্ট্রিসিটিগী খূদোংচাবশিং অদু লেপখিবনি হায়না পাউগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোক্লি।

বৈরুটতা লৈবা অৱাং থংবা অকার প্রোভিন্সকী হলবাগী মীওইশিংনা ষ্টেট অদুনা চল্লাইবা ইলেক্ট্রিসিটি দু লিবানগী মায়োক্তা পেন্দবা কয়া লৈদুনা খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রবনি। মীওইশিং অদুনা ট্রিপোলি সিটিগা নক্লনা লৈবা লম্বী থিংজিনবা অমদি টায়র মৈ থাবনচিংবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা মৈগী অৱাৎপা লৈরিবা অমদি ঈশিং ফংদবগী অৱাবশিং অদুগী মায়োক্তা কম্পেনি অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

মমিং লৈরবা পাউগী চেনেল অল জাজিরাদা অমেরিকান য়ুনিভর্সিটি ওফ বৈরুটকী ইসাম ফের্স ইন্সটিট্যুটকী ইনর্জী রিসার্ছর ওইরিবা মার্ক আয়োকনা ফোঙদোরকখিবদা, দিজলগী অৱাৎপা লৈবা মরম্না মৈ পুথোকপগী খূদোংচাদবা অদু লৈরকখিবনি। হৌখিবা চয়োল অনীগী মতম অসিদা দিজল ফংদবনা মরম ওইরগা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপগী চাং অদু হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী য়ৌদবা তাঞ্জা ১৬লক হেন্না থোকখ্রে হায়রি।

# সাউদি এয়রপোর্টতা চত্থরকখিবা দ্রোন এটেকতা মীওই ১০ শোকখ্রে : রিপোর্ট



কাইরো, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

সাউদি সিটিদা লৈবা সিভিলিয়ন এয়রপোর্ট অমদা ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা চত্থরকখিবা দ্রোন এটেক অমদা এয়রপোর্ট অদুদা থবক তৌবা মীওইশিং য়াওনা পুন্না ১০ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সাউদি ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অসি হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা চত্থরকখিবনি। এটেক অদুদা শোক্লবশিং অদু এয়রপোর্ট ষ্টাফ অমদি পেসেঞ্জর ঙাক্তনি। হৌথি রেবেলশিংনা মীয়াম তিনবা মফম অমদি মরুওইবা সিটিশিংদা টার্গেট তৌরগা এটেক য়াম্না তোয়না চত্থরি। য়েমেনগী ঙমখৈ শরুক্তগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা কিং অবদুলাহ এয়রপোর্টতা চত্থরকখিবা এটেক অদুনা এয়রপোর্ট অদুগী মমাং থংবা শরুক খরসু অমাঙ অতা থোকহনখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু অভা এয়রপোর্টতা হৌথি রেবেলশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন টিমনা নোংথক্তা মাঙহন্নবা হোৎনখি। অদুবু এটেক অদু নোংথক্তা মপুঙ ফানা থিংবা ঙহৌদবদগী লৈমায় য়ৌশিল্লক্তুনা এয়রপোর্ট ৱার্কর ৪ অশোক অপন নংহনখি। হৌখিবা ওগষ্ট ৩১ দসু হায়রিবা এয়রপোর্ট অসিমক্তদা চত্থরকখিবা এটেক অমদসু মীওই ৮ শোকহনখি।

য়েমেনদা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্নমেন্ট অদুবু সাউদিনা মতেং পাংলুবদগী ইরাননা বেক তৌবা য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংনা কিংদম অসিদা মিসাইল অমদি দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা এটেক চত্থবা হৌরকখিবনি। হৌথি রেবেলশিংনা সাউদিদা টার্গেট থমদুনা এটেক চত্থরকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা হৌখিবা থা খরদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন টিমনা হৌথি রেবেলশিং লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবা য়েমেনগী মফম কয়াদা এয়রষ্ট্রাইকশিং চত্থবা হৌখ্রে। মখা তানা এয়রষ্ট্রাইক অমুক হন্না চত্থবা হৌরগনি হায়না কোলিসন টিমগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

# 'অফঘান মোস্কতা স্যুসাইদ বোম্বরনা চত্থখিবা এটেক অদু লাইবক থিবনি'



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা মোস্ক অমদা মীয়াম্না লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা স্যুসাইদ বোম্বর অমনা এটেক চত্থদুনা মীওই ৪৬ হাৎখিবা অমদি কয়া অমনা শোকহনখিবগী থৌওং অদুবু য়ু এসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু পাংদবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন সাকিনা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানিষ্টানদা চত্থরিবা লালহৌবগী থবক থৌওংশিং থিংনবা হোৎনবদা য়ু এসনা মতম পুম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। অফঘানিষ্টানদা নৌনা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবান লৈঙাক্লা লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চপ চানা লেপ্পবদি মখোয়গী মতেং পাংনবসু শেম শাদুনা লৈরি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা অফঘানিষ্টানদা লৈরম্বা গভর্নমেন্টপু মায়থিবা পীদুনা টালিবাননা কাবুল খুদুম চনখ্রবা মতুং লালহৌবশিংনা এটেক চত্থবগী থৌওং হান্নদগী হেনগৎলক্লি। হৌখিবা ওগষ্ট ২৯ দসু কাবুল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট মনাক্তা থংন-থংননা বোম অনী পোকখায়হন্দুনা মীওই ১০০গী মথক্তা শিহনখি। থৌদোক অদুগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈ মরকসিদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মোক্স অমদা এটেক চত্থদুনা মীওই ৪৬ শিহনখিবগী থৌদোক তরায়না লৌদে হায়রি।

# ওইল পাইপলাইন চহী অমগী মমাঙদগী লীক ওইরকখিবা ওইরম্বা য়াই: ওফিসল

লোস এঞ্জেলিস, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :

কালিফোর্নিয়াগী সমুদ্র খোংবান্দা পুদুনা চৎলিবা ক্রুদ ওইল পাইপলাইন অদু চহী অমরোমগী মমাঙদগী লীক ওইরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না য়ু এস ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঈশিংগী ঈমায়দা থাউগী শরুকশিং য়ানশিনখিবা অদুনা সমুদ্রদা লৈরিবা থৱায় পানবা কয়াদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লকপা য়াই হায়রি।

থাউ গেলোন লিশিং ১০গী মথক্তা লীক ওইরম্বা য়াই হায়না য়ু এস ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থাউ লীক ওইরক্লিবা মফম অসি মরু ওইনা দোলফিন অমদি ৱেলশিংগী মরু ওইবা লৈফম অমা ওইরি। মমাঙ চয়োলদা পাইপলাইন অসিগী শরুক অমা লীক ওইরকপা থেংনখ্রবা মতুং মরী লৈনবশিংনা থীজিনবগী থবক চত্থবা হৌরকখিবনি।

পাইপলাইন অসি সমুদ্রদা মথৌ তৌরিবা জহাজশিংগী এনকরনা মরম ওইরগা অকায় অতোয় থোকহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থিজিল্লোইশিংনা থাজরি। অদুম ওইনমক, মতৌ করম্না ক্রুদ ওইল পাইপলাইন অদু লীক ওইরকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

এমপ্লিফায় ইনর্জি পাইপলাইন ওপরেটরগী চীফ এগজেক্যুটিভ মার্টিন ৱিলসরনা ফোঙদোকখিবদা, ঈশিং ঈমায়দগী ফিট ৪,০০০ রোম লূনা লৈবা মফমদা পুরিবা ক্রুদ ওইল পাইপলাইনগী শরুক্তা অহোবা মখুল অনী লৈরম্বা থেংনখ্রে। মখুলশিং অদু মেনশিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

পাইপলাইন অসিদগী ক্রুদ ওইল কয়া য়াম্না সমুদ্রগী ঈমায়দা তিনখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা ঈশিংগী শরুক্তগী ক্রুদ ওইলশিং খায়দোক্লবা থবক অথুবা মতমদা য়ু এস অমদি রসিয়াগী মতেং লৌরগা চত্থবা হৌরগনি হায়রি।


## [illegible] / RECRUITMENT NOTICE

Applications are invited for the post of Young professional II on pure contractual basis for 1 year or co-terminus for the project entitled *"Diversity and conservation of Fishes of river basins in Manipur"* funded by ICAR-NBFGR on 18th October, 2021 at 11:00 a.m. in the chamber of the Director of Research, CAU, Imphal. Intending candidates may send their application in a plain paper along with contact no., a copy of detailed CV, photograph and all original documents and other supporting documents to the email ID di.office@yahoo.com

| Name of the post | No. of positions | Project name | Salary/month (Consolidated) | Qualifications |
|---|---|---|---|---|
| Young Professional II | 01 | ICAR-NBFGR funded project entitled "Diversity and conservation of Fishes of river basins in Manipur" | Rs. 35,000/- | **Essential qualification** M.F.Sc. in any discipline of Fisheries Science. **Desirable:** Experience in fish culture, collecting, compiling & analysis of primary data and writing of reports. Ready to travel extensively. |

**Last date of submission of application:** 15th October, 2021
**Date of interview:** 18th October, 2021
**Venue:** HQ,CAU,Lamphelpat, Imphal, 795 004

The interview will be conducted by strictly following COVID 19 guidelines given by Manipur state government / Government of India. All the candidates should follow the COVID 19 guidelines as such, if any deviation will not be allowed to attend the interview.

1. The candidate for interview should produce negative RAT/RTPCR/True-NAT certificate or Full COVID vaccination certificate at the time of interview.
2. The certificate should have been obtained 72 hrs before the date of interview from Govt. recognised testing agency.
3. They should also wear proper face mask while coming for the interview.

**Terms and conditions**

1. Only Indian citizens are eligible for the interview.
2. Age limit: Minimum 21 years and maximum 45 years as on last date of submission of application through email with relaxation as per rules.
3. The above positions are purely temporary basis and co-terminus with the project may be terminated at any time.
4. The appointment may be extended subject to satisfactory performance of the candidate.
5. The selected candidate shall have no right/claim for regular appointment or absorption at CAU, Imphal at any point of time.
6. No TA/DA and official accommodations will be paid /provided for appearing in the interview.
7. Only the candidates having essential qualification will only be considered for interview.
8. Selected Candidate will be required to produce all original documents at the time of Joining for verification purpose.
9. The Director of Research, CAU, Lamphelpat has the right to cancel/postpone the interview without any reason thereof.

Sd/- **Y. Bedajit Singh**
P.I. & Deputy Director of Instruction
CAU, Imphal

HL-P/302/10